# উত্তর প্রদেশতা হোর্টিকলচর চাওখৎনবা হাই-টেক নর্সরিশিং শেমগৎলগনি: গভর্নমেন্ট

লক্ষ্ণৌ, মে ২২ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশতা হোর্টিকলচর অমসুং ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রি চাওখৎহন্নবা মথংগী চহী মঙাগী মনুংদা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৭৫ দা এক্সিলেন্স অমসুং মিনি এক্সিলেন্স সেন্টরশিং/হাই-টেক নর্সরিশিং শেমগৎনবা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ৱারেপ লৌখ্রে।

ওফিসিএল স্পোক্সমেন অমগী মতুং ইন্না গভর্নমেন্টনা বাহরাইস, অম্বেদকর নগর, মাউ, ফাতেহপুর, অলিগর, রাম্পুর অমসুং হাপুরদা শেমগৎখিবা হাই-টেক নর্সরিশিং মথৌ তৌবা হৌখ্রে।

চান্দৌলি, কৌশমলি, সহরানপুর, লক্ষ্ণৌ, কুসিনগর অমসুং হাপুরদনা অসিগুম্বা সেন্টরশিং শেমগৎ শাগৎপগী থবক চখুরি। বষ্টি অমসুং কানোষ্টতা হৈ-রাশিং অমসুং মনা মশিংশিংগীদমক্তা ইন্দো-ইজরেল সেন্টর ফোর এক্সিলেন্স লিংখৎলে। মসিনা লৌমীশিংবু ক্কালিটি লৈবা মরুশিং ফঙহল্লগনি।

মসিদা নত্তনা সোনভাদ্রা, মোরাদাবাদ, অগ্রা, সান্ট কাকি নগর, মহৌবা, জান্সি, বরাবঙ্কি, লক্ষ্ণৌ, চান্দৌলি, গোন্দা, বালরাম্পুর, বাদাউন, ফিরোজাবাদ, শাল্লি অমসুং মিরজাপুরদা এক্সিলেন্স হাই-টেক নর্সরিশিংগী মিনি সেন্টরশিং শেমগৎ শাগৎপগী থবক চখুরি।

ষ্টেট অসিগী হোর্টিকলচরগী ওইবা মহৈ মরোংশিং থাননবগী মফমশিং চাদ ১১.৬ তগী চাদ ১৬ তা হেনগৎনবা অমদি ফুদ প্রোসেসিং য়ুনিটশিং চাদ ৬ তগী চাদ ২০ ফাওবা হেনগৎহন্নবা চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা অচৌবা টার্গেটশিং থমখি।


মসিনা ষ্টেট অসিগী হোর্টিকলচরগী পোখোকশিং হেনগৎহনবগা লোয়নন্না হৈ-রা, মনা মশিং অমসুং মরু মরাংশিং প্রোসেস তৌবসু হেনগৎহল্লগনি। এক্সিলেন্স সেন্টরশিং অমদি হাই-টেক নর্সরিশিংদা ক্কালিটি লৈবা চারাশিং অমসুং মরুশিং পুথোক্লবা গভর্নমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎলি। মসিনা ক্কালিটি লৈবা মহৈ মরোংশিং হেন্না পুথোকপা ঙমহল্লগনি হায়রি।

গভর্নমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিগী পান্দমদি লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা ফুদ প্রোসেসিং ইণ্ডষ্ট্রিশিংগীদমক ষ্টেট অসিদা মহৈ মরোংশিং মরাং কায়না পুথোকপনি।

পনবা য়াবদি, উত্তর প্রদেশতা অহেনবা লম হেক্তর লাক্ষ ১.০১ দা হৈরা অমদি মনা মশিং থাজিনবদগী হৌখিবা চহী মঙাগী মতম অসিদা ষ্টেট অসিদা হৈরা অমদি মনা মশিং পুথোকপগী চাং চাদ ০.৭ হেনগৎখি।

যোগি অদিত্যনাথ গভর্নমেন্টনা সিজন নত্তবসু মনা মশিং মখল কয়া থাবা য়াননবা ইন্দো-ইজরেল টেক্নোলোজিগী খুথাংদা প্রোটেক্টেদ ফার্মিং চাওখৎহন্নবসু হোৎনরি। হৌখিবা চহী মঙা অসিদা লৈ অমসুং মনা মশিংগী পোখোক হেনগৎহন্ননবা অহেনবা লম হেক্তর ১৭৭ দা পোলি হাউসশিং/সেদ নেটশিং শেমগৎখি। মসিনা লৌমী ৫৫৪৯ দা কান্নবা পীখি।

ভেজিটেবল সাইন্টিষ্ট অমা ওইরিবা ডা. এসপি সিংহগী মতুং ইন্না উত্তর প্রদেশকী মর্জিনেল ফার্মরশিংগী ইনকম হেনগৎহন্নবগী খ্বাইদগী ফরবা লম্বীদি এগ্রো-ক্লাইমেট জোন মখল মাপন লৈরিবা ষ্টেট অসিদা মখল খুদিংগী হৈরা, মনা মশিং অমসুং স্পাইসশিং থাবা অসিনি।



# ‘জ্ঞানভাপি অমসুং কৃষ্ণজন্মভুমি কেসশিংগী মতাংদা কোর্টকী ৱায়েল ঙাইখিসি’

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):
য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং উত্তর প্রদেশকী লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর কল্যান সিংহগী এইদ অমা ওইরম্বা বিএল বর্মানা জ্ঞানভাপি অমসুং কৃষ্ণজন্মভুমিগী কেসশিংগী মতাংদা কোর্টকী ৱায়েল ঙাইনবা অমদি ৱায়েল অদুবু ইকায় খুম্মনবা মরী লৈনবা পুন্নমক্তা আপিল তৌখ্রে।


অযোধ্যাদা রাম টেম্পল শাবগী থবক চখুরিঙৈদা জ্ঞানভাপি অমসুং কৃষ্ণজন্মভুমিগী ইস্যুশিংগী মতাংদা অচৌবা য়েৎনবা অমা লাক্লিবনি।

এজেন্সিগী ইন্টরভিয়ু অমদা সেন্ট্রল মিনিষ্টর অসিনা ইস্যু অনীমক্কী মতাংদা বিজেপিনা করি থৌদাং লৌগদগে-বিজেপিনা লুচিংনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট নত্তগা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা নিংতম্না ইনিসিএটিব অমা লৌবা ঙমগদ্রা অমসুং প্লেসেস ওফ ৱার্শিং এক্ট ১৯৯১ গী মতাংদা বিজেপি গভর্নমেন্টগী করি মীৎয়েং লৈবগে হায়বগী মতাংদা মহাক্কী মতশিং ফোঙদোকখি।

জ্ঞানভাপিদা সর্ভে রিপোর্ট চথুখ্রবা মতুংদা হিন্দু অমসুং মুস্লিমশিংনা অমগা অমগা হুন্নদুনা য়েৎনরক্লিবসিগী মতাংদা করি হায়নিংবগে হায়না হংবদা মিনিষ্টর অসিনা হায়, জ্ঞানভাপি ইস্যু অসি হৌজিক কোর্টতা লৈরিবনি। ঐখোয়না কোর্টকী ওর্দর ইকায় খুম্নগদবনি। মফম অদুদা সিবলিং অমসুং হিন্দু কলচরগী অতৈ পোৎশক কয়া থেংনরকপগী মতাংদা কাঙলুপ অনীগী মরক্তা য়েৎনবা লাকপদগী কোর্টনা মীৎয়েং চঙলকপনি।

মতম শাংনা ঐখোয়গী লৈবাক অসি মুঘলশিংনা পানখি হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। বাবরগুম্বা ইনভেদর কয়া ইন্দিয়াদা লাকখি অমসুং মখোয়না ঐখোয়গী কলচর মুখৎনবা হোৎনখি অমদি অযোধ্যা অমসুং কাসি য়াওনা হিন্দুশিংগী লাইশঙশিং মাঙহনতাকহনখি। হৌজিক্তি অশেংবা অদু ময়েক শেংনা চোঙথোরক্লে। হৌজিক কোর্টনা মেটর অসি য়েংশিল্লি। কোর্টকী ৱায়েল অদুসু শোয়দনা পোজিটিব ওইগনি হায়না ঐখোয়না থাজে। ঐখোয়না মতম ঙাইগদবনি অমদি কোর্টকী ৱায়েলবু ইকায় খুম্নগদবনি।

মুস্লিম লুচিংবা খরনা প্লেসেস ওফ ৱারশিপ এক্ট ১৯১৯ পল্লদুনা জ্ঞানভাপি মোস্কতা অহোংবা অমত্তা লাকহনবা য়ারোই হায়রিবসিগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়, মুস্লিম লুচিংবশিং অদুনা হায়নিংবদা হায়বা য়াই। তৌইগুম্বসুং লৈবাক অসিদি লো অমসুং কন্সটিট্যুসন্না চল্লাইবনি।



# কেসিআর, কেজ্রিৱালনা নেসনেল পোলিটিক্স খন্ন-নৈনখ্রে



ন্যু দিল্লি, মে ২২ (এজেন্সী):
টেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা নোংমাইজিং নুমিত্তা দিল্লিগী মহাক্কী লেঙমান্নবা আর্বিন কেজ্রিৱালগা ন্যু দিল্লিদা লৈবা এএপিগী লুচিংবা অসিগী ময়ুমদা লঞ্চ য়াওবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা নেসনেল পোলিটিক্স খন্ন-নৈনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর অনীগী মরক্তা পুং ১ রোম চুপ্পা মীফম পাঙথোকখিবনি। হায়দ্রবাদতা চীফ মিনিষ্টর্স ওফিস (সিএমও) না ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না মখোয়না লৈবাক অসিগী ফেদরেল ষ্ট্রকচর, ষ্টেটশিং অসিনা নেসনেল গ্রোদতা পীরিবা কন্ট্রিব্যুসন অমসুং অতৈ লৈবাক্কী ওইবা পোলিটিকেল ইস্যুশিংগী মতাংদা খন্নখি।

নেসনেল পোলিটিক্সতা মরু ওইবা থৌদাং লৌনবা হোৎনরক্লিবা টেলঙ্গনা রাষ্ট্র সম্মিথি (টিআরএস) না এএপিগী নেসনেল কনভেনর ওইরিবা কেজ্রিৱালগা অল্টর্নেটিব নেসনেল এজেন্দা অমা পুথোক্লবগী মতাংদা মহাক্কী থৌরাংশিং খন্নখি হায়রি।

# ইং ১৯৯১ গী এক্ট ইন্দ্রবদি বাব্রিমসজিদকা মান্নবা ফিভম লাক্কনি: ওআইসি

লক্ষ্ণৌ, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী ভরানাসিদা কোর্ট অমনা জ্ঞানভাপি মোস্কতা ভিদিওগ্রাফি সর্ভে অমা চথুনবা ওর্দর তৌখিবদগী এআইএমআইএমগী প্রসিদেন্ট অসাদউদ্দিন ওআইসিনা অতোপ্পা বাব্রিমসজিদকী ফিভম অমা লাক্কদৌরিব্রা হায়বগী অকিবা ফোঙদোক্তুনা লাক্লি।

হায়দ্রবাদতগী কারকপা এমপি অসিনা লৱার কোর্টকী ওর্দর শিংনরদুনা হায়, ওর্দর অদুনা প্লেসেস ওফ ৱারশিপ (স্পেসল প্রোভিজন্স) এক্ট, ১৯৯১ খোঙ্গাওনৈ অমসুং ওর্দর অদু মুস্লিমশিংগী আর্গুমেন্ট তাদনা পাস তৌখিবনি।

মথুরাগী সহি ইদগাহ মসজিদকী ইস্যুগা লোয়নন্না অতৈ মফম কয়াদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা য়েৎনবা কয়া থোরকখিবসি য়েংলগা কুমজা ১৯৯১ গী এক্ট অদুবু চেকশিন্না ঙাক্তুনা অনৌবা ৱাথোকশিং থোরকপা থিংবা ঙমগনি হায়না মহাক্না থাজে।



এক্ট অদুনা লাই খুরুম্ফম মফম অমগী লাইনিং লাইশোনগী কেরেক্তরদা অহোঙবা লাকহনগদবা থবকশিং চখুবদা অথিংবা থম্মী। এক্ট অসিগী মতুং ইন্না কুমজা ১৯৪৭ কী ওগষ্ট ১৫ দা লৈখিবা লাই খুরুম্ফম মফম অমগী কেরেক্তর অদু হৌজিকসু নুমিৎতুগা মান্ননা অদুম লৈহনগদবনি। মদুদা অহোংবা লাকহন্নবগী থবক থৌরম অমত্তা পায়খৎপা য়াদে।

ওল ইন্দিয়া মুসলিস-ই-ইটেহাদুল মুস্লিমিন (এআইএমআইএম) গী চীফ অসিনা ৱারিবদি সুপ্রিম কোর্টনা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী বেসিক কেরেক্তরগী শরুক অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা ১৯৯১ এক্ট অদুবু ভাইওলেট তৌরক্কনি হায়বসিনি।

মহাক্না অরোইবদা থাজরিবনা কোর্টশিংনা এক্ট অসিবু ইকায় খুম্নবগা লোয়নন্না ৱায়েল পীরক্কনি হায়বসিনি।

এজেন্সিদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্না হায়খি, মদুদি লৱার কোর্টকী ওর্দর অদু লাই খুরুম্ফম অমগী কেরেক্তর অমসুং নেচরদা অহোঙবা লাকহন্নবা হোৎনবগা মান্নে। মসি তশেংনমক কুমজা ১৯৯১ গী এক্ট অসিগী মায়োক্তনি।

ওআইসিনা মখা তানা হায়, মসিদগী হেন্না ফজদবা অমদি মীচং মীখায় নাইবা ৱায়েল অমা লৈররোই।

মসি নেচরেল জষ্টিসকী প্রিন্সিপলশিংগী মায়োক্তা ওই। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়নন্না লৱার কোর্টকী ওর্দর অদুবু সুপ্রিম কোর্টনা শোয়দনা ষ্টে তৌহনগনি হায়না মহাক্না থাজবা ফোঙদোকখি।

# থ্রিকাকরাগী বাই ইলেক্সনদা এএপি, ত্বেন্টি ২০না ফ্রন্ট অমত্তা শৌগৎলোই

থিরুবনন্তপুরম, মে ২২ (এজেন্সী):
আম আদমি পার্টি অমসুং কেরলাদা লৈরিবা পার্টি অমা ওইরিবা ত্বেন্টি-২০ না লাক্কদৌরিবা থ্রিকাকরাগী বাই ইলেক্সনদা মখোয় ফ্রন্ট অমত্তা শৌগৎলোই হায়না লাউথোকখ্রে।

ত্বেন্টি-২০গী হেদ ক্বার্টর্স লৈরিবা কিজাকম্বলমদা পাঙথোকখিবা পব্লিক মীটিং অমদা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং এএপিগী নেসনেল কনভেনর আর্বিন কেজ্রিৱালনা পার্টি অনী অসিনা পিপলস ৱেলফেয়র এল্লাইয়ন্স কৌবা এল্লাইয়ন্স অমা শেল্লগনি হায়না লাউথোকখি।

এএপি কেরলা ষ্টেট কনভেনর অমসুং তামিল নাদুগী হান্নগী এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি পিসি সিরিয়াক অমসুং ত্বেন্টি-২০গী চিয়ারমেন সাবু জেকোবনা জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙবদা মখোয়না ফ্রন্ট অমত্তা শৌগৎলোই হায়খি।

অদুম ওইনমক লুচিংবা অনীনা কেন্দিদেট অমনা মায় পাকপা নত্তগা মায়থীবা হায়বসি পিপলস ৱেলফেয়র ফ্রন্টনা লেপকনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

মখোয়না মখা তারদুনা লৈরিবা ফিভম নীংথিনা ষ্টদি তৌরবা মতুংদা এল্লাইয়ন্স অসিগী সিম্পেথাইজরশিং অমসুং ৱার্করশিংনা ভোট থাদগনি হায়নসু লুচিংবা অনীনা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০২১ গী এসেম্ব্লি ইলেক্সনদা মায় পাকখিবা সিটিং লেজিসলেচর ওইরিবা কংগ্রেসকী পিটি থোমাস লৈখিদবদগী বাই ইলেক্সন অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি।

IN THE COURT OF
SUB-DEPUTY COLLECTOR : WAIKHONG
**Ref :- Mutation Case No. 88/SDC/(WKG) of 2022 Dated 19/05/2022**
App:- Sanasam Robin Meitei, S/o (L) S. Ibomcha Meitei of Sarik Leirok Leikai
-Vrs-
Opp:- (Late) Sanasam Ibomcha Meitei, S/o (L) S. Lukhoi Singh of Lairok
ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dated. 19/05/2022
Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি, মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 84-Arong পাট্টা নং 181/280 দাগ নং 1154/1224 & 1153/1249 এরিয়া 1.25 & .62 একর চাওবা তাওথবী অঙনফৌ লৌফম ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাটা নাম্মা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎ চে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চখুজগনি।
**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong
HL-P/2767/22

Resonance®
Educating for better tomorrow
Live-video Learning Program (LLP) Centre
* 45 Days Crash Course for NEET 2022
Rescheduled from 23rd May, 2022
* 1 Year Regular Courses for NEET & JEE
* Foundation Courses for Class- XI to XII (NEET & JEE)
Commencement Date 16th May, 2022
ENROLL TODAY!
*6 hours class daily
* Test series from Resonance Kota
*Classes from best faculties from Resonance Kota.
Study Materials from Resonance Kota Rajasthan
PHYSICS FACULTY | BIOLOGY FACULTY | MATHS FACULTY | CHEMISTRY FACULTY



Er. Sundaram Kr.
B.Tech (CSE), PGPM/MBA
More than 9 years (JEE/NEET) experience Physicist (down to earth)
Author/Speaker/Pioneer in Spiritual Psychodynamics
Member of International United Educationists Fraternity (IUEF)
Mr. Vishal Kumar
M.Sc (Life Science)
10 years experience as Biology faculty for NEET
Mr. Basant Kumar
Faculty member of Aakash Coaching Institute, Muzzafarpur
Over 25 years of experience for JEE
Mr. Sujal Baroi
B. Tech, Electrical Engineering
6 years experience as Chemistry faculty at Resonance, Siliguri
Admission through & Scholarship Test
91-100% score - Free Admission
81 - 90% score - 50% Concession
Office Hours - 10:00 am to 7:00 pm.
Nachom Edu Foundation,
3rd Floor, L.K. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
For more details
9402979552 / 8794961535
HL-P/2763/20,21,22,23,24,25,26,27,28&29

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE PRINCIPAL,
D.M.COLLEGE OF TEACHER EDUCATION, IMPHAL
**B.ED. ADMISSION NOTICE**
Imphal, the 21st May, 2022
No. 301/1/22-TE: Prospectus & Application for Admission to B.Ed. Pre - service candidates in the D.M. College of Teacher Education, Imphal for the session 2022-24 can be had from 23rd May, 2022, 10.00 a.m onward from the college website ***www.dmcte.ac.in*** /downloads.
**Sd/- Dr. R.K. Lokendra Singh**
**Principal**
**D. M. College of Teacher Education, Imphal**
HL-P/2773/22,23

**IN THE COURT OF SPECIAL JUDGE (ND&PS) (FTC), MANIPUR AT CHEIRAP COURT COMPLEX**
ANNEXURE- I
Schedule 1 VIII, Form No. 100
High Court Criminal Process No. 4
**CASE NO. : - SPECIAL TRIAL NO. 19 OF 2021**
FIR No. 60(10)1989 Imphal-PS
U/S 21/29 ND & PS Act.
**PROCLAMATION REQUIRING THE APPEARANCE OF THE ACCUSED**
(Section 82 of the Code of Criminal Procedure)
1) Name, Description and address of the accused:
1. **Smt. Alungphi TKL (40) yrs, now aged about 73 years w/o (L) Epalson TKL of Pandon**
2. **Smt. Vevei Kukini (30 years) now aged about 63 years W/o Md. Ate of Golapati.**
3. **Md. Ate (25 years) now aged about 58 years S/o Md. Ali of Hatta, Golapati.**
4. **Smt. Hechin Kukini (24 years) now aged about 57 years W/o R.K. Jillasana of Molnom UKL District.**
2) Name of the accused:
1. **Smt. Alungphi TKL 2. Smt. Vevei Kukini 3. Md. Ate and 4. Smt. Hechin Kukini**
3) Place:
Imphal
Whereas complaint has been made before me **1. Smt. Alungphi TKL, 2. Smt. Vevei Kukini, 3. Md. Ate and 4. Smt. Hechin Kukini** have committed the offence punishable Under Section **2/291 ND & PS Act (FIR. No. 60(10)1989 Imphal-PS)** and it has been returned to a Warrant of arrest thereupon stating that **1. Smt. Alungphi TKL, 2. Smt. Vevei Kukini, 3. Md. Ate and 4. Smt. Hechin Kukini** cannot be found, and whereas it has been shown to my satisfaction that the said **1. Smt. Alungphi TKL, 2. Smt. Vevei Kukini, 3. Md. Ate and 4. Smt. Hechin Kukini** have absconded to avoid the execution of the said warrant.
Proclamation is thereby made that the said **1. Smt. Alungphi TKL, 2. Smt. Vevei Kukini, 3. Md. Ate and 4. Smt. Hechin Kukini** are required to appear before this Court to answer the said complaint on the **28th day of June, 2022.**
Dated this 10th day of May, 2022.
**Sd/- Kh. Ajit Singh**
**Special Judge (ND&PS) (FTC), Manipur**
HL-P/2781/23&24

**URGENT JOB VACANCY**
Govt. Regd. No. SSL/64/com Estd of 2016, Manipur

*Vacancy at North East India (Male/Female)*

| Sl. No. | Name of the Post | Salary | No. of Posts | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Security Guard (Pune) | Rs. 18000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | Ex-Servicefman (Assam) | Rs. 30000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 3 | Banking Staff (26 Yrs) | Rs. 14000 above | 15 | Graduate |

*Airport Job Vacancy at Banglore, Hyderbad & Kolkata*
*(Training with 100% Placement) First Come First Chance*

| Sl. No. | Name of the Post | Salary | No. of Posts | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Loader/ Cargo Loader/Cleaner | Rs. 12000 above | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | VIP Lounge Staff/ Ground Staff | Rs. 15000 above | 20 | XII / Grad / Master |
| 3 | Commercial CSA Staff/ Attendent | Rs. 15000 above | 20 | Grad / Master |

*Job Vacancy at Imphal (First Come First Chance)*

| Sl. No. | Name of the Post | Salary | No. of Posts | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Office Reception/ Front desk | Rs. 5000 - 20000 | 18 | X / XII / G |
| 2 | VIP Driver / Company Driver | Rs. 6000-15000 | 15 | VIII / X / XII |
| 3 | Security Guard (M/F) | Rs. 6000-25000 | 25 | VIII/X/XII |
| 4 | Helper/ Chawkidar | Rs. 4500 - 20000 | 15 | VIII/X/XII |
| 5 | Cook / Waiter | Rs. 4500-20000 | 20 | VIII/X/XII |
| 6 | Delivery Service | Rs. 8000 | 5 | XII/ Graduate |
| 7 | Juice Selling Workers | Rs 5000 | 20 | VIII/X/XII |
| 8 | Ex- Service Men | Rs. 8000- 15000 + EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 9 | Supervisor / Trainer | Rs. 8000 – 20000 +EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 10 | Official Managerial Staff | Rs. 5000- 8000 | 20 | X / XII |

Last Date of Submission : 28/05/2022
Offcie Timing : 10:30 am to 3:00 pm
Date of Interview : 30/05/2022
For More Information Please Contact
# 7641836503 / 8794793684
**Salai Unemployment Service Centre**
Sagolband Salam Leikai, Near Luxmi Kitchen, Jiri Parking
HL-P/2667/9,11,15,16,18,23,24,25,26,27

SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE for
Class Commencing on: 19th May, 2022
CLASS-X BOSEM 2nd Batch
CLASS-XII Sc. COHSEM
OUR POSITION HOLDERS OF HSLC EXAM 2020
Class Timing: 4:00pm-7:30pm



3rd POSITION BOBOSANA
4th POSITION RANJAN
6th POSITION JESSICA
8th POSITION THOIHENBA
9th POSITION YAIPHABA
12th POSITION RABINDRA
14th POSITION REONA
20th POSITION MANGAL
22nd POSITION ARJUN
90 % NGAITHOIBA
Hostel available for Boys & Girls, Van Services
# 841385751 & 9862712287
HL-P/2400/1 (27/4 to 28/5)